# খোঙথাং ৪









- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

হৌজিক-হৌজিক কোভিদ-১৯ লাইচৎ থেংনবগী মতাংদা য়াম্না মরু ওইনা নৈনরিবসি য়ূমদগী হেন্দোক্তবা, মীয়াম তিনবা মফমদা চঙবীরুদবা, করিগুম্বা থবক্লা থোক্তা য়াদবদগী থোকপা মতমদা মাস্ক উপ্পা, খূৎশা শেংনা-শেংনা হান্বীবা, মীৎ-মায়-নাতোন-চিনবান্নচিংবা মফমশিংদা য়ারিবমখৈ শোকপীদবা অমদি য়ারিবমখৈ মিটর অমা/অনী লাপ্না লেপ্পীবা-চৎপীবা অসিনচিংবা অসিনি। মসিমক ঐহাক ইশামকসু ইন্দুনা চৎচরিবনি টাইৱান্দা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ুনচিংবা লৈতবনা। মসি য়াম্না ফবা খোঙথাংনি। তৌবতবু হায়রিবা মথক্তা পঞ্জরিবা খোঙথাংশিং অসি মীওইবা ঐখোয় লোইনমক্তি ইন্দুনা চৎপা ঙমলোই, ঙমদ্রি। মরমদি মীওই ময়াম অমদি থবক লেপ্পা য়াদবনা। হায়রিবা থবক লেপ্পা য়াদবা মীওইশিং অসি মখোয় মখোয়গী ইমুং লৈরি। মখোয়না থবক হল্লকপদা ময়ূম-ময়ূমদা লোয়না হন্দুনা ময়ূম-ময়ূমগী মীওইশিং উনদুনা তোৎন-তিন্নরিবনি অমদি চামিন-থকমিন্নরিবনি। অসুম্না তোৎন-তিন্নবা অমদি চামিন-থকমিন্নবা তৌদবা মীওই খরা হায়রগদি মেদিকেলগী লম্‌দা লৈবা মীওই খক্তনি হায়বা য়াই। মরমদি মখোয়দি লাইচৎ অসি পকপা মীওইশিংগা য়াম্না নক্ননা লৈবনিনা, মথৌ তৌবনিনা।

মপান্দা থোক্তুনা থবক তৌববু ওইগেরা, য়ূমদা লৈদুনা নোংমফাদোক থোকপবু ওইগেরা ঐখোয় খুদিংমক্না লাইচৎ অসিদগী হেন্না মায় পাক্লা ঙাকথোকসি হায়রবদি ঐখোয় ঐখোয়গী হকচাং ফনা, কন্না থম্বা য়াম্না মথৌ তাই। হকচাংবু ফনা অমদি কন-কন লাউনা লৈরবদি হায়রিবা লাইচৎ অসি চঙবা ঙমদে হায়নরিবনি। হায়বদি হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টম অসি য়াম্না ৱাংলবদি লাইচৎ অসিনা শোকহনবা, নাহনবা ঙমদে। মসি হায় হায়দুনা ঐখোয় হেক্তা পংশম-শম্নসি, শোক্ল-তিন্নরসি হায়জবদি নত্তে। তৌবতবু হকচাং কন-কন লাউনা লৈরবদি লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকপদা য়াম্না মতেং ওই হায়জবনি। হায়জনীংবদি, মাস্ক উপ্পা, খূৎ-শা শেংনা-শেংনা হাম্বা, সোসল দিষ্টেন্সিং থম্বা অসি খক্তনা লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্লোই। মরম অসিনা লাইচৎ অসিদগী মপূং ফানা ঙাকথোকসি হায়রবদি হকচাং ফনা লৈবা মথৌ তাই।

মতাংসিদনি হকচাং শাজেল তৌবগী মথৌ য়াম্না তারিবসি, মরু ওইনা খরা অহল ওইশিল্লক্লবা হায়বদি চহী ৪৫গী মথক্তা লৈবশিং অমদি পিক্লিবা অঙাংশিংনি। চহী তাঙ্কক অনী অসিগী মরক্তা লৈবা মীওই অয়াম্বনা মশা কন্না লৈ, মহৌশানা পীথোরকপা হকচাংগী হোর্মোন মরাং কায়না লৈবনা। লাইচৎ অসিনা খ্বাইদগী লায়না শোকপা ঙল্লিবদি হকচাংগী হোর্মোন চাং য়াম্না তানা থোক্লিবা অহল ওইরবা মীওইশিংনি। মশাগী হোর্মোন থোকপা ৱাৎপনা অহলশিংসি মশাগী ইম্যুন সিষ্টমসু য়াম্না শোল্লি। মরম অসিননি লাইচৎ অসিনা চহী য়াংখৈগী মথক্তা লৈবা মীওই কয়াবু য়াম্না লায়না পুন্সি লোমহল্লিবা। মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মীশিং হেন্না লাইচৎ অসিনা শোকহল্লিবা অমদি শিহল্লিবা য়ু এস এগী মতাংদা কোভিদ-১৯গী মতাংদা ন্যু য়োর্ক সিটি হেল্থনা এপ্রিল ৪দা পুথোকখিবা দাটাগী মতুংইন্না য়ু এস এদা লাইচৎ অসিনা লৈখিদবগী চহীগী মতুংইন্না চহী ৪৫-৬৪গী মনুংদা লৈবা ২৩.১%নি, ৬৫-৭৪গী মনুংদা লৈবনা ২৪.৬%নি, অদুগা ৭৫গী মথক্তা লৈবনা ৪৭.৭%নি। মসিনা তশেং-তশেংনা তাক্লিবদি চহী য়ামদুনা মশাগী ইম্যুন ৱাৎলবা কাঙলূপনা অয়াম্বনি লাইচৎ অসিনা লায়না শিহনবা ঙল্লিবসি। মরম অসিনা লাইচৎ অসিদগী মায় পাক্লা ঙাকথোকসি হায়রবদি ঐখোয় ইশা-ইশাগী ইম্যুন সিষ্টম হকচাং শাজেল চাং নাইনা তৌদুনা ফগৎহনবা, ৱাংখৎহনবা য়াম্না মথৌ তাই।

শাজেল তৌবা হায়রগা জিমদা চৎপা, শান্নবা খক্তনা শাজেল তৌবা নত্তে। হোয় ঐহাকপুদি বোদিবিল্ডর অমা ওইনা জিমদা চৎতুনা শানৈ টাইৱানদদি জিমসু লোইনা হাংবনিনা। অদুবু ইরমদমদদি জিম হাংলমদবসু য়াই। হাংলগনা মাস্ক উপ্তুনা য়ারিবমখৈ চেকশিন্না শান্নবীয়ু। য়ারিবমখৈ কোভিদ-১৯ গাইদলাইনশিং ইন্দুনা চৎপীয়ু। জিমদা চত্তবীদা য়ূমদা তৌবসু য়াই। য়ূমদা তৌবা য়াবা শাজেল খরা হায়রগদি যোগ, শাজেল অমদি পুক্কী শাজেল কয়া তৌবা য়াই। তৌগে খল্লবদি য়াম্না লৈখ্রে তৌবা য়াবা শাজেলশিং। বুক্তন ইনবা, বার চিংবা, হৌগৎ ফমথ তৌবা, শুমাংদা থৌরি চোঙবা, লমজেল চেনবা, চোঙবা-ফনবা অদুম য়াই। শাজেল তৌবদা হুমাং থোক্লবা হোৎনবীয়ু। হুমাং থোক্ত্রবদি হকচাংগী অমোৎ অকায় শেংদোকপা ৱানা থোকই লোয়ননা শাজেল তৌবগী চাং ৱাৎলি হায়বনি। নৎত্রগা খুঙ্গংদা লৈবা ওইরগদি চীংয়া-তময়াদা, লৌবুক-লমহাংদা অমদি লমজ াওদা, লম্পাক্তা অয়ূক অঙনবদা নুংশি-নুংশানা শেংলিঙৈদা থোক্তুনা শাজেল তৌবা য়াই, লমজেল চেনবা য়াই। য়াম্না লৈখ্রে তৌবা য়াবা। লূম্না লৌরবদি লম্বীদি অদুম থোরকপনি।

শাজেল তৌবসিগী মথক্তা ঐখোয়না করম্বা চিঞ্জাক চারিবগে হায়বসিসু য়াম্না মরু ওই। হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টম ফগৎনবা অফবা, মচি ওইবা অমদি অচম্বা চিঞ্জাক চাবা য়াম্না মথৌ তাই। ইম্যুন ৱাংখৎনবা চাবা ফবা চিঞ্জাকশিংদি - অশংবা মনা-মশিং (গ্রীন ভেজিটেবলস), য়াইঙং, চনম, শীং, উহৈ-ৱাহৈশিং, ঙা, য়েন অসিনচিংবনি। য়ারিবমখৈ, ঙল্লিবমখৈ। শা-ঙা চাদবা মীওইশিংনা প্রোটিনগী শরুকসি ফংনবা হৱাইনচিংবা পোৎলমশিং অসি চাবীয়ু। অশংবা মনা-মশিং নোংমদা অহুম্লক্তি চানবা হোৎনবীয়ু। ঙল্লবদি ৪/৫ রক চাবীয়ু। অফবা ঈশিং মরাং কায়না থকপীয়ু। শা, ঙা অমদি মনা-মশিং থোংবা মতমদা য়ারিবমখৈ চন্না থোংবীয়ু, হায়বদি কা হেন্না থাও, থুম, মোরোক্লচিংবা য়াম্না চাং হন্থনা হাপ্তুনা থোংবীয়ু। ঙল্লগদি চম্ফুৎ, কাংশোইগী মওংদা থোংবসিনা খ্বাইদগী ফৈ, হকচাং য়াম্না নুংঙাইহল্লি, ফহল্লি অমদি হকচাংগী ইম্যুন ৱাংহল্লি। অসুম্না লায়না, লাইচৎ কয়াদগী ঙাকথোকপদা মতেং য়াম্না ওইহল্লি। হিংনা চাবা হৈ-রা, শিংজু, সলাদকুম্বা চাবদা য়ারিবমখৈ য়াম্না নিংথিনা অশেংবা, অফবা ঈশিংনা চামথোকপীরগা চাবীয়ু।

য়ারিবমখৈ সোদা, কোকা, স্প্রাইট অমদি য়ু, বীয়রনচিংবা য়াওবা বেভেরেজশিং থকপীরুনু, চিনি য়াম্না য়াওবা অথুম অহাওশিং চাবীরুনু। অসিগুম্বা চিঞ্জাকশিং অসিনা হকচাংগী ইম্যুন য়াম্না শোন্থহল্লি। করিগুম্বা অশেংবা য়ু থকপা তারবসু খজিক্তং থকপদি য়াই অদুবু কা হেনজিন্না থকচিনবদি ফরোই। লোয়ননা চুরুট, বিরি, খৈনি হীদাকমনানচিংবা শীজিন্নবীগনু। হায়রিবা পোৎলমশিং অসি হকচাংদা শোকহনবতা নত্তনা হকচাংগী ইম্যুন শোন্থহল্লি।

অরোইবা পোৎলম অমা ওইনা, নোংমগী চংদা-য়াদ্রবা 'পোথাবা' হায়বসিসু কাউবীগনু। লোকদাউন তৌরে হায়দুনা অহিং চূপ্পা স্তার শান্নবা, টি ভি য়েংবা, ৱারী-ৱাতাই শাদুনা নৎত্রগা মোবাইল ফোনদা ৱারী শাদুনা অহিং থেংনা তূম্বদি হকচাং শোকহল্লি অমদি ইশাগী ইম্যুন শোন্থহল্লি হায়বসিমসু কাউবীগনু। য়ারিবমখৈ পুং ১২গী মমাঙদা ফমুংদা চঙদুনা পুং ৭/৮দি তূম্নবা হোৎনবীয়ু। তূম্বা ৱাৎলবদি ইম্যুন য়াম্না শোন্থহনবনি।

লোইশিল্লকপদা, কোভিদ-১৯ হায়রিবা লাইচৎ অসিদগী মপূং ফানা ঙাকথোক্কে হায়রবদি ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা পীরিবা গাইদলাইনশিং অসি ইন্দুনা চৎপীয়ু। লোয়ননা চাং নাইনা নুংতিগী শাজেল তৌদুনা হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টম ৱাংনা থম্নবা হোৎনবীয়ু। লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু তৌবনা থবক চিল্লি, মতম লৈতে হায়দুনা য়ৈথোকপগী হৈনবীদুমদি য়াররোই। লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু তৌরিঙৈ মতমসিদা ঐখোয়না তৌবা য়াবা থবক য়াম্না লৈখ্রে। ময়ামদুগী মনুংদা শাজেল তৌবসিসু অমনি। শাজেল তৌবগা লোয়ননা অফবা, মচি ওইবা, হকচাংদা কান্নগদবা চিঞ্জাকশিং চাবীয়ু। য়ারিবমখৈ চন্না থোংদুনা চাবীয়ু, হায়বদি মৰু-মরাং, থাও-থুম য়াম্না হাপ্পীদনা থোংবীয়ু। চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমদি থক্লবা ঈশিংনচিংবা পোৎলমশিং করম্না ফংলিবা হায়বদুমদি খঙজদ্রে। তৌবতবু অঙম্বা থাক্তা হোৎনবীদুনা অফবা চিঞ্জাকশিং চানবা হোৎনবীয়ু। লূম্নবু লৌদ্রবদি, হোৎপু হোৎনদ্রবদি ফনা য়াম্না মতম ফংদুনসু, চানবা ফনা য়াম্না মরাং কায়না লৈদুনসু শাজেল তৌগে অমদি অফবা চিঞ্জাকশিং চাগে হায়বগী ৱাখল্লোন লৈরোই। মরম অসিনা অহানবদা ঐহাক হকচাং ফনা লৈতবা য়াদে, লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্তবা য়াদে, খুন্নাই অসিবু কনবদা অচৌবা থৌদাং লৌগে হায়না খনবা তম্বীয়ু। অসুম্না খল্লবা মতুংদা শাজেল তৌবগী, অফবা চিঞ্জাক চাবগী অমদি মপূং ফানা তূম্বগী, পোত্থাবগী হৈনবীসিসু অদুম মতুং ইল্লক্কনি। হকচাং ফনবা খ্বাইদগী ফবা লননি কাউফদে। ঐখোয় পূন্না চৎমিন্নদুনা, হোৎনমিন্নদুনা ইরমদম খুন্নাই অসিবু কনমিন্নরসি। য়াইফমিন্নরসি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

### আই ও সীগী গাইদ লাইন য়াওদনা চাকথোং গ্যাস সিলিন্দর থল্লম্বা গোদাউন সিল্ড তৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচএনএস):

ইন্দিয়ন ওইল কোর্পোরেসন (আই ও সী) গী গাইদ লাইন য়াওদনা মফম চাদনা থল্লম্বা চাকথোং গ্যাস সিলিন্দর ১৩৯ রোম থাংমৈবন্দ য়ুনাইটেদ ক্লব (টি য়ু সী) না গোদাউন সিল্ড তৌরগা পুলিসতা রিপোর্ট তৌরকখি হায়রি।

পুলিসতগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না চাকথোং গ্যাস থল্লমল্লিবা গোদাউন অসি খৌপুম ভেল্লিগী লোংজাং থাঙ্গাল খুনদা চাকথোং গ্যাস এজেন্ট ওইনা চলাইরিবা থাঙ্গাল ইন্দেন গ্রামিন বিটাক কৌবা অমগীনি হায়রি।

টি য়ু সীগী ভল্যুন্টিয়রশিংনা ঙসি অয়ূক গোদাউন অসিদা চঙদুনা য়েংশিল্লুবা মতমদা পার্মিট য়াওরগসু মৈহৌ লাংপোক থোকপা য়াবা মফম চাদনা চাকথোং গ্যাস সিলিন্দর ময়াম অমা পৈশিন্দুনা লৈরম্বনি। লোয়ননা গ্যাস খাইদোক খাইজিন তৌবদা শীজিন্ননবা মেছিনশিংসু লৈরম্বা থেংনখি। মখা তাবা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবা মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসন্দা রিপোর্ট তৌখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি কে মেঘচন্দ্রনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা গোদাউন অসি খৌপুম ভেল্লিগী লোংজাং থাঙ্গাল খুলদা লৈবা চাকথোং গ্যাস এজেন্ট ওইনা চলাইরিবা থাঙ্গাল ইন্দেন গ্রামিন বিটাক কৌবা অমগী গোদাউননি। মফম অসিদগী চাকথোং গ্যাস সিলিন্দরশিং অসি দি আই টাটাদা থিন্থোক থিনজিন তৌই হায়রি। লোয়ননা

মফম অসিদসু মাগী কষ্টমর য়াম্না লৈরি। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা ইনক্বারি অমা তৌনবা কঞ্জুমর এফেয়রস ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিবুশন (সী এ এফ এন্দ পি দি) দিপার্টমেন্টতা অহবা চেরোল থারগনি হায়রি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লম্ফেল পুলিসনা গোদাউন অদু সিল্ড তৌদুনা থম্বগা লোয়ননা আই ও সীগী গাইদ লাইন য়াওদনা মফম চাদনা থম্বা গোদাউন মখা তানা থিজিনবগী থবক কন্না চথরি হায়রি।

### এফ পি সীনা শীং বেগ ১০০ কৎলকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লোকদাউন চথরিঙৈ মনুংদা চান-থক্লবা পোৎলম নীংথিনা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরিঙৈ চৈরক অসিদা সিনলুং ওর্গানিক এফ পি সী ফেরজোলনা শীং বেগ ১০০ কৎলকখ্রে। শীং বেগ ১০০ অদু এফ পি সীগী মীহুৎশিংনা ঙসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা খূৎশিন্নখি। চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিএটতা লাক্তুনা শীং বেগ ১০০ কৎলকখিবা অদুগীদমক্তসু চীফ মিনিষ্টরনা সিনলুং ওর্গানিক এফ পি সী ফেরজোলবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

### লাঙ্গোল ফোরেষ্ট অমদি রেভিন্যু ভিলেজগী দিমার্কেসন তৌবীয়ু : লূপ

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচএনএস):

লাঙ্গোল ফোরেষ্ট অমসুং মৈতৈ লাঙ্গোল রেভিন্যু ভিলেজ নম্বর-৯১গী চপ চাবা দিমার্কেসন অমা তৌদুনা লাঙ্গোল অসি কনমিন্নসি হায়না লাঙ্গোল অঙীং লৈকায় অপূনবা লূপকী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, হন্দক লাম্মৈ থাদুনা মাঙ-তাকহল্লিবা মীওইশিং অদু লোগী মতুংইন্না চৈরাক পীয়ু। রেভিন্যু ভিলেজ অমসুং নোটিফাইদ ফোরেষ্টকী মরক্তা পেট্রোল্লিং রোদ অমা শেমদুনা লাম্মৈ চাকপদা কন্নবগী চপ চাবা থবক মণিপুর লৈঙাক্লা লৌখৎপীয়ু। লাঙ্গোল অসি ইন্দিয়ন ফোরেষ্ট এক্ট ১৯২৭গী মখাদা রিজার্ভ ফোরেষ্টনি হায়বগী নোটিফিকেসন অদু মণিপুর মীয়ামদা পুথোকপীয়ু। ঙমদ্রগনা রিজার্ভ ফোরেষ্ট লাউথোক্লবা লোগী মতুংইন্না বাউন্দরি অদু দি সীগা তান্নরগা কেবিনেট দিসিজন লৌবীয়ু। ওবজেক্সন তৌরকপশিংদু সোল্যুসন পুরকপীরো। মণিপুর গেজেটতা হাপ্তুনা লোগী মতুংইন্না লাঙ্গোল রিজার্ভ ফোরেষ্ট লাউথোকপীরো। লোগী লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎলকপদা অঙীং লৈকায় অপূনবা লূপনা মতেং পাংগনি। লোগী ৱাংমদা বাউন্দরি শেমদনা মৈতৈ লাঙ্গোল রেভিন্যু ভিলেজ-৯১গী এরিয়াদা চঙশিল্লগা লোনা য়াদবা থবক ময়াম তৌদুনা লৈরবদি হ্যুমেন ক্রাইসিস থোক্লক্তুনা অচৌবা অৱাবা অমা লাকপা য়াই। লাঙ্গোল ফোরেষ্ট কনমিন্নসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

### ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদা এম জি এন আর ঈ জি এ, দি দি য়ুগী মতাংদা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচএনএস):

ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা ষ্টেট অসিগী আর দি এন্দ পি আর মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর আর দি এন্দ পি আরদা এম জি এন আর ঈ জি এ অমদি দি দি য়ু-জি কে ৱাইগী থবক থৌরম কয়াগী মতাংদা খঙহনখ্রে।

ঙসি আর দি এন্দ পি আর মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর আর দি এন্দ পি আর নরেন্দ্র সিংহ তোমারগা ৱারী শানখি। ৱারী শানখিবা অদুদা ষ্টেট অসিগী আর দি মিনিষ্টরনা এম জি এন আর ঈ জি এগী ফন্দ মিনিষ্ট্রিনা মতম চানা থাদোরকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি। আর দি মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, প্রাইম মিনিষ্টর অমদি চীফ মিনিষ্টরগী লমজিং-লমতাক মখাদা ষ্টেট অসিবু কোভিদ-১৯দগী ফ্রী ওইহন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরি। লৈঙাক্কী গাইদলাইন কয়া ঙাক্লা ষ্টেট অসিদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিং পুশিল্লক্লি। এম জি এন আর ঈ জি এগী লাইএবিলিটিশিং শেংদোকপীবা অমদি ফন্দ মতম চানা থাদোরকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

হৌজিক ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা এম জি এন আর ঈ জি এগী থবকশিং শুরি। সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা পায়খৎলি। কুমজা ২০১৮-১৯দা ষ্টেট অসিনা চাদা ১০০, এচিভ তৌগনি। মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী পি এম এ ৱাই (জি) গীদমক কুমজা ২০১৯-২০গী য়ুনিট ৮৯০০ এপ্রুভ তৌরকখ্রে। কুমজা ২০২০-২১গী ওইনা ১৫৮৪২ য়ুনিটনি। স্কিম অসিগী ওইনসু অহানবা ইনষ্টোলমেন্টকী ফন্দ রিলিজ তৌবীয়ু। থবক থুনা পায়খৎপা ঙম্নবা মীৎয়েং চঙলি। মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসনগী মখাদা ষ্টেট অসিনা গ্রাম পঞ্চায়ট ১৫০ দা থবক ৮০ পায়খৎলি। মসিনা ভিলেজ ২৮৪ কভর তৌরি। স্কিম অসিগী মখাদা কভর তৌবা ষ্টেট অসিগী হাউসহোল্ড মশীং অসি ২২,৭৬৯ নি। দীন দয়াল উপধ্যায় গ্রামিন কৌষাল যোজনাগী থবকসু নীংথিনা চথরি। নহা ১০৬২৬ তা ট্রেনিং পীনবা টার্গেট থল্লি। স্কিম অসিগী মখাদা নহা ২,২২১দা ট্রেনিং পীখ্রে। তোঙান তোঙানবা ট্রেদতা ট্রেনিং পীখিবগা লোয়ননা নহা কয়া অমা থবক ফংনখ্রে হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি। ভিদিও কনফরেন্স ইন্টরেক্সন অদুদা এদিসনল সী এস, এম ঐচ খান অমদি আর দি এন্দ পি আরগী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

### লৈঙাক্লা কংলৈ খুন্নাই কন্নবগী মতাংদা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎপা মতম য়ৌরে : লূপ

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচএনএস):

লৈঙাক অসিনা মীৎয়েং চঙদুনা কংলৈ খুন্নাই অসি কন্নবা থবক পায়খৎপা মতম য়ৌরে হায়না কংলৈ সলাই অপূনবা লূপকী প্রসিদেন্ট মীরেনখোম্বা মৈতৈনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কংলৈচাশিংবু মুখৎপা পাম্বশিংনা চথরকপা থৌওংশিংগী মনুংদা কোংবা মরুগী লাইফম্লেন্দা লাইওইরবা উজাও, উরেন য়াম্থৎনবা হোৎনরিব্রা হায়না লৌদবা ঙম্লোই। লৈহৌ ফুরুপশিং মুখৎনবা চহী লিশাং-শিংনা হোৎনদুনা লাকপা ঙসি ফাওবা লেপ্পা লৈত্রি। ইনাৎ-লাইনিং, ফিজেৎ, য়ুম্বানলোন, খুন্নাইলোন পুম্নমক কাং-খোং চাইহল্লগা মশা মথন্তা মুৎখিনবা শিনবা থৌশিল অসিদা কংলৈচাশিংনা পংথদুনা ঙসি ফাওবা লৈরি। ইশাগী ফিজেৎ, থকশি-খাশি, খুন্নাইলোন, ফুরুপ অমা ওইবগী লৈজরিবা মচৎ পুম্নমক কাউখিদুনা মীগী মপোৎতা তাঙদুনা হিংবরোমদা লাক্লবা ফুরুপ ওইরক্লবদা কংলৈচাশিংনা কয়াম কুইনা মালেমসিদা হিংখিগদগে হায়বদা খন্ন-নৈনবা মথৌ তারক্লে।

লৈঙাক অসিনসু খরদং মীৎয়েং চঙদুনা কংলৈ খুন্নাই অসিবু কন্নবা করিগুম্বা থবক খরদি পায়খৎপা মতম য়ৌরে। ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু ফুরুপ অমা ওইনা লৈরিবা ইনাৎ-লাইনিং খঙবীবা মথৌ তাই। খুন দামিন্নরিবা ফুরুপশিং, মাগী মাগী লাইনিংলোন তোঙান তোঙান্না লৈ। মৈতৈ হায়বা ফুরুপ অসিগীসু হৌরকঙৈদগী লৈজরকপা ইশাগী লাইনিংলোন অমদি চৎনলোন পুম্নমক লৈজৈ। লাইফম-তীনফম অমদি য়েলহৌঙৈগী কায়ফদ্রবা মফমশিং ঙাক শেনবা মথৌ তাই। লৈঙাক্লোয়শিংনসু ঐখোয়গী পুৱারী পুম্নমক খঙহনবীবা তঙাইফদে। ইন্দিয়া লৈঙাক্তসু নীংথিনা খঙহন্নবা থবক পায়খৎপা মথৌ তাগনি। পুৱারী খঙহন্দ্রবদি পুৱারীগী মরুওইবা মফমদু কয়া য়াম্না মরুওইরিবগে হায়বসু খঙলোই। মৈতৈশিংগী অরুবা লাইফম্লেনশিং ঙাক শেন্দুনা থম্বা মথৌ তাই। কোংবা মরুগী লাইওইরবা উজাও য়াম্থৎপা অমদি মরুওইবা লাইফম্লেনশিং মাঙহন-তাকহন্নবা হোৎনরকপা পুম্নমক মখা তানা চথরকপা তারবদি ৱাথোক কয়া থোরকপা য়াই হায়রি।

### চান-থক্লবা মখা তানা তেংবাং পীখিগনি : সুকো

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস):

কোভিদ-১৯, ২৪/৭ হেল্প লাইন শিংজমৈ কৌবা অমা শেমদুনা ঙসি ফাওবা হৱাই, থুম-থাউ, ঙারি-আলুনচিংবা পোৎলম কয়া লেপ্পা লৈতনা তেংবাং পীদুনা লাক্লি। মখা তানা তেংবাং পীখিগনি হায়না শিংজমৈ য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (সুকো)গী মীদিয়া কোওর্দিনেটর সরুংবম বোবিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোভিদ-১৯গী পেন্দেমিকনা মরম ওইরগা লৈঙাক্লা থল্লিবা লোকদাউনদা মণিপুরগী য়ুমথোঙ খূদিংমক অৱাবা মায়োক্লরি। মসিদা সুকোনা শিংজমৈ পুলিসকা খুৎশম্নদুনা লোকদাউন মপুং ফাহন্নবা অমদি কোরোনাভাইরস শন্দোক্তনবা হোৎনদুনা লাক্লি। সুকোনা কোনশিনবা ঙমদবা এরিয়া হায়বদি শিংজমৈ মায়কৈদা লৈরিবা ক্লব ২২ না কোনবা লৈকায়শিংদা লৈত-লায়রগী মথক্তা য়ুমদগী মপান থোক্তুনা শেল তানবা য়াদবদগী চাকখুম মৈ মুৎপা য়াবগী পনখৈদা লৈরবা য়ুমশিংদা তেংবাং পীনবগীদমক কোভিদ-১৯, ২৪/৭ হেল্প লাইন শিংজমৈ কৌবা অমা শেমদুনা ঙসি ফাওবা চেঙ, হৱাই, থুম, থাউ, ঙারি, আলু, তিলহৌনচিংবা চাকখুমগী পোৎলম লেপ্পা লৈতনা মতেং পাংলক্লি। মখা তানসু পাংগনি। সুকোগী লৈজবা ফন্দদগী শেল কায়থোক্তুনা তেংবাং য়েন্থোকপা হৌবগা সুকোগী থবক থৌরমবু পূক্লিং থৌগৎতুনা তেংবাং পোৎলম কয়া পীনরক্লি। মসিগীদমক সুকোনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি। অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা সুকোনা য়ুমথোঙ ২২৭ তা তেংবাং পোৎলম য়ৌহনখ্রে। মখা তানা মতেং পাংবগী থবক চত্থখিগনি হায়রি।

### তেংবাং পীনরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচএনএস):

চীফ মিনিষ্টর কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা ওর্গনাইজেসন অমদি লন্নাই মীওই কয়ানা মতেং পাংবগী থবক লেপ্তুনা চত্থনরি হায়না চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, টিচিং অমদি নন-টিচিং ষ্টাফ এন জি মনি কোলেজনা লুপা লিশিং ৫০, ট্রেজরি এন্দ একাউন্ট মণিপুরনা লুপা ২,২৪,৫২৭, এক্স-কেন্দিদেট এল বসন্তনা লুপা লিশিং ৫০, থৌবাল মোইজিংদগী য়ুনুস শৈখনা লুপা লিশিং ৫০, থৌবাল সাবল তোংবদগী এস রনবিরনা লুপা লিশিং ১০, ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন্না লুপা ৯৫,৯২০, মাষ্টর্স এথেলেটিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট অজিৎকুমারনা লুপা লিশিং ২০, লৌক্রাকপম জোন্সননা লুপা লিশিং ১০, এগ্রিকলচরগী রিটয়ার্দ দিরেক্টর রাজেন্দ্রনা লুপা লিশিং ৫০ মতেং পীরকখি হায়রি।

### ব্রাওন সুগরগা কোন্ননা ২ ফারে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচএনএস):

অসাম রাইফলসকী ক্রূপনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চিতা চ্যেক পোষ্টতগী ব্রাওন সুগরগা কোন্ননা মীওই অনী ফারে। মফম অদুদা চিংননীংঙাই ওইবা মওংদা স্কুটি অমদা নুপা অমগা নুপী অমগা তোংদুনা লাকপদগী খামদুনা চ্যেক তৌরুবদা তোঙান তোঙানবা পেকেট ২০দা ব্রাওন সুগরশিং অদু হাপ্লগা পুরক্লম্বদগী ফাগৎখিবনি হায়রি।

অমরোমদা ৯ সেক্টর অসাম রাইফলসকী মন্ত্রি পুখ্রি বট্টালিয়ননা ফেস মাস্ক য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা য়াইঙংপোকপী মার্কেটতা সেনিটেসন দ্রাইভ চত্থখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ) কী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

NOTIFICATION

Imphal, the 29th April, 2020

**No.5/40/2012-HSC:** It is, hereby, notified for general information to all Principals/Head of the Institutions under the Council that the prescribed format of Tabulation Sheet for the Class XI Examination, 2020 can be downloaded from the Council's web portal **www.cohsem.nic.in** print in A3 size paper or collected from the office of the undersigned to enable to submit the same on or before the 13th May, 2020 along with the Attendance Sheet.

Sd/- PH. MANTRI SINGH
Controller of Examinations,
Council of Hr. Sec. Education, Manipur

HL-B/6167/30

GOVERNMENT OF MANIPUR /1584
DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE

NOTICE

Imphal, the 27th April, 2020.

No.1/238/2017-SW(Disciplinary):Whereas, it has been brought to the knowledge of the undersigned that you have been served notice for explanation for un-authorized absent from duty since 18th February, 2020 without obtaining prior permission and availing leave vide DSWO,Bishnupur's letter No.24/2/91-DSWO/BPR(Estb) dated 5th March, 2020.

And whereas, as per report from DSWO, Bishnupur vide letter No.24/2/91-DSWO/BPR(Estb) dated 7th March, 2020, your whereabouts was uncertain so that the letter could not be delivered to you and any of your family members refused to receive the letter on your behalf.

And whereas, as per report from DSWO, Bishnupur vide letter No. 24/2/91-DSWO/BPR(Estb) dated 23rd March, 2020, the same letter was sent to your Home Address through Speed Post. Delivery of the same to you on 17th March,2020 through Imphal Head Post Office vide Postal Order No.EE504428575IN dated 7th March, 2020 was confirmed through Speed Post Tracking Service.

And whereas, you have neither submitted any clarification/reply to your competent authority's letter No. 24/2/91-DSWO/BPR(Estb) dated 23rd March, 2020 nor reported for duty till date.

Now, therefore, this Notice is served to you through local newspapers directing you to report for duty on or before 4th May, 2020, failing which necessary disciplinary action will be initiated against you under CCS(CCA) Rules.

Sd/-Ngangon Uttam Singh
Director (Social Welfare)
Manipur.

To,
L. Menan Singh, L.D.C,
District Social Welfare Office, Bishnupur

HL-B/6165/29,30

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অহৈবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।